**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-02-2025)**

**সিএম (এল) ঃ** মনিপুরদা ইং ২০১৭ দগী বি.জে.পিনা লুচিংবা রাজ্য সরকার লৈরকখ্রবা মতুংদা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা টার্ম অনিরক পায়রকখ্রবা নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা মহাক্কী মুখ্য মন্ত্রি ফমদগী তোকচরগে হায়না ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাদা মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পীশিনগনি। মদুদা মহাক্কী মন্ত্রি-মন্দলদা য়াওরিবা মন্ত্রিশিং-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ডা: সাপম রঞ্জন, খাশিম ভাশুম, থোঙাম বিশ্বজিৎ, অৱাংবৌ ন্যুমাই, হৈখাম দিংগো অমদি এম.এল.এ. খরসু শরুক য়াখি। মসিগা লোয়ননা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-অধিকারিময়ুম সরদা অমদি লোক সভাগী এম.পিসু ওইরিবা বি.জে.পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ-শম্বিৎ পত্রাসু লোয়নখি।

মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোকপগী চেরোল অদুদা শ্রী বিরেননা তোঙান তোঙানবা ৱাফম মঙা-মনিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা কেন্দ্র সরকারনা মখা তানা পায়খৎপীনবা ৱাফমশিং তকশিল্লি।

ৱাফমশিং অদুদা মনিপুর মীয়ামগীদমক্তা কেন্দ্র সরকারনা তঙাইফদনা মখা তানা চহি লিশিং কয়াগী ইনাক খুল্লবা মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম (টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি) ঙাকপা, রাজ্য অসিদা আইননা য়াদবা মওংদা ঙমখৈ লান্না নারোলদা চংশিল্লক্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা আইননা য়াদবা মীতোপশিং অসি রাজ্য অসিদগী হলহনখিনবা থৌরম থৌশিল পায়খৎপা, দ্রগ অমদি নার্কো টেরোরিজমগী মায়োক্তা লান মখা তানা চথবা, ফ্রি মুভমেন্ট রেজিমগী লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং মখা তানা চথবীনবা অমদি

ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক অককবা মতমগী মনুংদা লোয়শিনবীনবা য়াওরি।

মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি, ঙসি নুংথিল পুং মরি মখায়রোম তাবা মতমদা শ্রী শন্বিৎ পত্রাগা লোয়ননা দিল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলখিবনি। ইম্ফালদা হেক থুংলবগা মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলোদা এম.এল.এ. খরগা উন্নরবা মতুং ঙসি নুমিদাংৱাইরম রাজ ভবনদা রাজ্যপালগা উন্নখি। মসিগা মরী লৈননা রাজ ভবনগী অকোইবদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

**ডে (এল)ঃ** মহারাজ কুলাচন্দ্র লৈখিদবগী ৯১ শুবা নিংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার ১৮৯১ মারটিয়াস এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস মনিপুর অমসুং নিংথেমচা নীংশিং লুপনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-এঙ্গলো মনিপুরি লালদা বৃটিশনা মনিপুরবু মায়থিবা পীদুনা ইং ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ তা কংলাদা য়ুনিয়ন জেক্কী ফিরাল পাইহনখিবা নুমিৎ অসিবু রাজ্যগী থাক্তা থৌরম পাঙথোকবা হোৎনরগনি। লান অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা নিংথৌ কুলাচন্দ্রগী মীতম অমসু কংলাদা খিন্নবা মুখ্য মন্ত্রিদা তকশিল্লগনি। মহাকা হায়-মনিপুরিশিং অসি মীখা পোনবা হৈনদবা জাতি অমনি। অমরোমদা, পুনশিন্নবা হোৎনবদসু অৱাবা অমা ওইরি। করিগুম্বা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙম্লবদি মালেমগী শক্তি অমত্তনা ঐখোয়বু নমথবা ঙমলোই।

শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-ধর্ম্ম অমসুং রাজনিতিনা মনিপুরবু মচেৎ তাহন্নবা থেঙ্খাং কয়াদা হোৎনদুনা লাক্লি। এঙ্গলো মনিপুরি লাল অমসুং চহি তরেৎ খুন্তাকপগী লানফমশিংদা চীংগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। মরম অদুনা মনিপুরগী ওইবা অপুনবা ইতিহাস অমা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন.

লোকেন্দ্রো, শকাইরবা ইতিহাসকার-প্রোফেসার-নাওরেম জয়কুমার, নিংথেমচা নিংশিং লুপকী প্রসিদেন্ট-ডা: আর.কে. বিদ্যাপতি অমসুং জষ্টিস কমিতিগী চেয়ারমেন-জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

**খুৎলায় (এল) ঃ** থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কক ময়াই প্রাইমারি স্কুলদা হাংবা আই.আর.বি. অমসুং এম.আরগী অপুনবা সেক্যুরিতি ফোর্সতগী মশক খঙদবশিংনা ওভর পৱার তৌদুনা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুশিং লাকখ্রে হায়রি।

পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-লাকখিবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা এস.এল.আর. তরুক অমসুং এ.কে. ফোরটিসভেন অহুম য়াওরি হায়রি। থৌদোক অদুগী তুংদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থৌদোক্তুনা চেন্নবা কে.সি.পিগী মীওই অমা ফারবা মতুংদা মহাকা হায়দোরকপদগী লংথাবাল হঙোই পাৎতা লৈবা কে.সি.পিগী লোৎফম অমদগী খুৎশু খুৎলায় খরা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মদুগী মনুংদা-নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরুশিং অমসুং কেমো ফ্লেগকী খোঙ্গাউ ফুরিৎনচিংবা য়াওরি।

**রঞ্জন (এল) ঃ** ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি ডা: রাম মাধপনা ইবা 'অৱার কন্সটিট্যুসন-অৱার প্রাইট' হায়বা লাইরিক অমা ফোংখ্রে।

লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা হায়-প্রধান মন্ত্রিনা চহি অসিবু সংবিধানগী চহি হায়না পালন তৌনবা ফোংদোকখিবা অসিগা মরী লৈননা ঙসিগী লাইরিক ফোংবগী থৌরম অসিদা শরুক য়াবা ফংবদা চাউথোকচবা পোকচৈ।

**ফিলম (এল)ঃ** নুমিৎ মরিনি চুপা চথরকপা অনিসুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ২০২৫ ঙসি লোয়শিল্লে।

থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিলম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট অনিনা খুৎশমদুনা শিনবনি। তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল অসিগী লোইশিনবগী থৌরম হৌজিক ইম্ফাল সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্লি।

**ঠিয়েটর(এল) ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথাবাল কুঞ্জদা লৈবা কংলৈ মাইম ঠিয়েটর রেপরটরিগী কমপ্লেক্সতা নুমিৎ হুমনি চত্থরকপা মাইম ফেষ্টিবেল ঙসি লোয়শিনখ্রে। ফেষ্টিবেল অদু কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয় অমসুং ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর-কোলকাতাগী মখাদা কংলৈ মাইম ঠিয়েটর রেপরটরিগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি।

**ডে (এল)ঃ** থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজকী ৪৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লাইরিক ফবা মহৈরোইশিং অমসুং মথৌ নিংথিনা তৌবা ওজাশিংদা মনা-মথুম পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা থৌবাল জিলাগী এস.পি. ডা: সরাংথেম ইবোমচানা হায়-কলেজ অসিগী ওজাশিংনা অফবা মহৈরোই পুথোকবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিং থোইদোকা থাগৎনিংঙাইনি। কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার-হঞ্জবম মনোরঞ্জন শর্ম্মা অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কলেজ দিবলপমেন্ট কাউন্সিলগী দিরেক্তর-প্রোফেসার-হঞ্জবম সুখদেবা শর্ম্মাসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**অমুকো (এল)ঃ** অমুকোগী ৩২ শুবা ফাউন্দেসন ডেগা মরী লৈননা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙরাংদগী ইম্ফালগী রিমসতা পাঙথোকপা হৌখিবা অদু ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অসি পুন্না হিংমিন্নবা, পুন্না থেংনমীন্নবা, পুন্না চাউখৎমীন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা অমুকোনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী দিষ্টিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনশিংগা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি হায়রি।

**কেম্প (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ১০০ রোম লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকসু লেমা পীখি।

**ককচিং (এল)ঃ** রাইটরস এসোসিয়েসন-ককচিংগী ৫২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর-ককচিংগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি-নোংমাইথেম নিমাই, মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমী ইম্ফালগী থবক্তগী পোৎথরবা সেক্রেটরি-এস. বিদেশ্বর অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী থবক্তগী পোৎথরবা দিরেক্তর-লাইপুবম উপেন্দ্রনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রাইটরস এসোসিয়েসন ককচিংনা চহিগী ওইনা পুথোকপা 'নতিক নঙাল' হায়বা চেফোং অমসু ফোংখি।

**মৈ (এল) ঃ** থারতি থ্রি কে.ভি. ইরোইশেম্বা-খুমন অমসুং থারতি থ্রি কে.ভি. ইরোইশেম্বা-লম্ফেলগী ঐচ.টি. লাইন হয়েং অয়ুক পুং তরেৎতগী নুংথিল পুং মঙা ফাওবা সটদাউন্দ তৌগনি হায়রি। মসি লমফেলপাৎকী ৱাটর বোদি নৌনা শেমগৎলকপা অসিনা মরম ওইদুনা মৈগী লাইনশিং অসি মফম হোংদোক হোংজিন তৌদুনা শেমনবগীনি। মসিনা মরম ওইদুনা থারতি থ্রি বাই এলভেন কে.ভিগী লমফেল, সিভিল সেক্রেটরিয়েট অমসু খুমন লম্পাক সব ষ্টেসনশিংনা কোনবা মফমশিংদা মৈ ফংলোই হায়না এম.এস.পি.সি.এলগী চেরোল অমনা

হায়রি।

**পিএম ঃ** পরিক্ষা পে চরচাগী ৮ শুবা এদিসন হয়েং ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদগী খনগৎলবা মহৈরোই ৩৬ কা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাইফ ওইনা শন্নে দাক্কদৌরিবা থৌরম অসি মহৈরোই কোতি মঙা হেনবনা শরুক য়াদুনা য়েংগদৌরি। থৌরম অসি অকাশবানি, দুরদর্শন, স্বায়ম, স্বায়ম প্রভা, পি.এম.গী য়ু ট্যুব চেন্নেল অমসুং কেন্দ্রগী এদুকেসন অমসুং ইনর্ফেমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়শিংগী সোসিএল মেদিয়া চেন্নেলশিংদসু লাইফ ওইনা য়েংবা ফংগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ফ্রান্স অমসুং আমেরিকাগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। খোঙচৎ অসিনা লৈবাকশিং অসিদা ভারতকী মরক্তা ষ্ট্রেটেজিক ইকোনোমিক অমসুং টেকোলোজিগী লমদা হেন্না নকশিন্নবা মরী থম নবা পান্দম থল্লি।

হয়েং অহৌবা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রিনা ফ্রান্সতা থুংগনি অমসুং মফম অদুদা নুমিৎ নিনি লৈদুনা এ.আই. এক্সন সমিট-২০২৫ দা শরুক য়াগনি। মারসেদা নৌনা হাংদোক্কদবা ভারতকী কন্সুলেট জেনরেলসু প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাগনি। থা অসিগী ১২ দা প্রধান মন্ত্রিনা আমেরিকাদা চৎকনি অমসুং রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্প য়াওনা লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, ষ্ট্রেটেজিক কো-ওপরেসন অমসুং টেকোলোজিগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**মাওইষ্ট ঃ** ছাতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মাওইষ্টশিংগা নোংমৈ কাপবগী

থৌদোক্তা মাওইষ্ট ৩১ শিরে। থৌদোক অদুদা সেক্যুরিতি পার্সোনেল অনিসু শিরে, অতোপ্পা অনি অমনা শোক্লে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়-লৈখিদ্রবা মাওইষ্টশিং অদুগী হকচাং ৩১ মক ফংবা ঙমলে। অককবা পাউ অমা ফংবদগী বিজাপুর জিলাদা লৈবা নেসনেল পার্ক অমগী উমংগী শরুক্তা অপুনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদগী থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

**কন্ট্রেক্ট ঃ** ভারত নেভিগী নিউ জেনেরেসন ওফ সোর পেট্রো ভেসেল ১১ অমসুং কেদেট ট্রেনিং সিপ ৩ গীদমক ইওন- ফিফতিৱান সিষ্টেম ২৮ লৈনবা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না ভারত ইলেক্ট্রোনিক্স লিমিতেদকা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে।

মসি পুন্না লুপা কোতি ৬৪২ হেনবা শেনফমগীনি। ইওন-ফিফতিৱান অসি ইলেক্ট্রো ওপ্তিকেল অমসুং থর্মেল ইমেজরস দিভাইস শিজিন্নদুনা টার্গেটশিংবু থিদোকবা অমদি মশক খঙদোকবা ইলেক্ট্রো ওপ্তিকেল ফয়ার কন্ট্রোল সিষ্টেম অমনি। খোঙথাং অসিনা চহি অহুম হেন্না থবক পীনবগী খুদোংচাবা লৈহনগনি অমসুং এম.এস.এম.ইশিং য়াওনা ভারতকী তোঙান তোঙানবা উদ্যোগশিংনা হকথেংননা শরুক য়াবদা পুকিং থৌগৎকনি। মসিনা সরকারগী ঙাকশেলগী লমদা আত্মা নিরভরতাগী পান্দম অদু ফংহনবদসু চাউনা মতেং ওইগনি।

**বিরলা ঃ** লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- মীয়ামা মরুওইনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা মখোয়গী শক্তি অমদি হৈনিংবগী চাং হেনগৎহন্নবা লাইরিক হেন্না পাবগী তঙাইফদবা লৈ।

হৌজিক চথরিবা নিউ দিল্লি ৱার্ল্ড বুক ফিয়ারদা ঙরাং লাইরিক অনি ফোংলদুনা শ্রী বিরলানা হায়- লাইরিক হায়বসি মীওইবা অমগী মরন্নাইগী অমদি

খুন্নাইগী ওইনা ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক অশেংবা লমজিংবা অমনি। মহাকা হায়-লাইরিকশিং অসি লেংদ্রবা গ্যানগী পুক্কৈনি। মসিদা ৱাখল্লোন কয়া য়াওরি অমসুং তুংগী মীরোলদা অচুম্বা লম্বী তাক্লি।

দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা চথরিবা ৫২ শুবা ৱার্ল্ড বুক ফিয়ার ঙসি লোইশিল্লগনি। নুমিৎ ৯ নি চুপা চথরকপা লাইরিক্কী মেলা অসিদা লৈবাক ৫০ হেনবনা শরুক য়ারি। মসিদা পাব্লিসর লিশিং ২ অমসুং স্পিকর লিশিং ১ হেনবসু শরুক য়ারি। মেলা অসি নেসনেল বুক ত্রষ্ট অমসুং ইন্দিয়া ত্রেদ প্রমোসন ওর্গনাইজেসন্না পুন্না শিনবনি।

**বুক ঃ** ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড বুক ফেয়ারগী ৫২ শুবা এদিসন ঙসি লোয়শিনখ্রে।

নেসনেল বুক ত্রষ্ট অমসুং ইন্দিয়ান ত্রেদ প্রমোসননা পুন্না শিনবা লাইরিক্কী মেলা অসি রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হৌদোক্তুনা নুমিৎ ৯ নি চুপা চথরকপনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-মেলা অসিদা চাউরাকা পাব্লিসর লিশিং অনিরোম অমসুং ৱাঙাংলোই লিশিং অমরোমনা শরুক য়াখি। মেলা অসিদা মালেমগী লৈবাক ৫০ হেনবদগী লাকপা পাব্লিসর অমদি লাইরিক্কী ফার্মশিংনা হাংদোকপা স্তোলশিং শরুক য়াখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. বোইস অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টি.সি.এম. দি.সি. থোংজ্‌ পার্ট টু লম্পাকনা এল.সি.সি. লমশাংবু রন-১৩৪ দা, পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু রন-১৭ তা, ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা বি.কে. সি.সি. বামোন কম্পুবু রন-১৩০ দা, সেদো-থাংমৈন্দনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি-লালাংবুংবু রন-১২৭ দা, এস.এস.সি. পোরোম্পাৎনা আর.এন.ই.এফ. ময়াং ইম্ফালবু রন-১১২ দা অমদি পি.টি.আর.সি. (ডব্লিয়ু)

পাৎশোইবু এ.এল-এ.এম. ই.ই.এম. ডব্লিয়ু-লিলোংবু রন-১০৬ তা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈনা য়ু.সি.সি. উরিপোকপু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. লালাংবুংনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেলবু রন-৭২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা আর.এ.ঐচ.ই.ই.য়ু.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইস ফুটবোল ক্লবনা য়ুনাইটেদ ব্রদরস এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

**বোদি (এল)ঃ** ছাতিসগরদা পাঙথোক্কদবা ১৫ শুবা নুপাগী জনিয়ার মাস্তরস দিভিয়াং বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী বোদি বিল্ডিং টিমগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন ঙসি ওল মনিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোকখ্রে।